দ্রিম প্রদক্সনগী অনৌবা ফিচর ফিল্ম

মোন্না শেঙ্গাও লাকপা

- নানি-

মণিপুরী ফিল্ম তরাইনা লৌবা য়ারক্লে। কুপ্না য়েংনরক্লে। মতম খরগী মমাঙদা মপানগী ফিল্ম এক্টিভিটি অমা লাক্লম্মী। মখোয়না তাবদা মণিপুর হায়বসি কলচরগী লমনি। ফিল্মদা অসুক য়াম্না পুথোক্লিবসি করিগীনো? মার্কেটকী ফীভম কয়াম ফবগে, অমদি ইনভেষ্টমেন্ট কয়াম তৌরগা ফিল্ম নল্লিবনো হায়না থিবা লাক্লম্মী। অদুতা নত্তনা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম নম্বা টিম অমসু লাক্লম্মী। মখোয়না ঐখোয়গী ওইরিবা ফীভম অসি খঙলগা অঙকপা অমা পোকখি। মসিগী ফীভম হায়বদি মার্কেট শুংলৈ লৈতে হায়না লৌবা য়াবা ফীভম অসিদা মখোয়দি ফিল্ম পুথোকপা ঙম্বগী ৱা লৈতে হায়রম্মী। তৌবগীবুদি মখোয়গী ইনভেষ্টমেন্ট অমদি মখোয়গী রিটর্নগা ঐখোয়গী মণিপুরী ফিল্মগী ওইরিবা ফীভম অসিগদি শাথিনা খেন্নে। ঐখোয়গীদি মসিংখানা নম্বনি, মরিলনা পুথোকপনি। শেন্দোংগী ৱা লৈতে। খনসু খন্নদে। অদুবু সি হায় হায়দুনা ফিল্ম পুথোক্লিবা খুদিংমক শেল লোইনা মাঙলব্রা হায়বদুমদি পাউখুম পীবদা খরা অদুম লুই। তশেংনমক্তি লোইনমক হেক্তা তোরা তুবমখৈ মাঙবদি নত্তে। য়াম্না তোংবগসু অদুম য়াওবনি। অদুবু মদুগী মরাইবক অদুমক্তি ফিল্ম খুদিংমক্তা ফংগদবগী ৱানি।

মণিপুরী ফিল্মগী থাক কদায় য়ৌরবগে হায়না হংবদা সিমকনি হায়না হেক্তা খুদোনবী থিনবা ঙমদ্রবসু মণিপুরী ফিল্মগী ফীভম অসি অদুম ফরি হায়না থমজগে। ইকোনোমিগী ওইনা য়েংলগদি মীমান্নবা ঙমদবা থাকনি। অদুবু পুথোক্লিবা ফিল্মগী থাক্তি অদুমক ৱাংলে হায়বা তাই। ঐখোয়গীসিদা মতিক চাবা কা হেন্না ফবা খৃৎলায় য়াম্না মরাং কায়না লৈজদ্রবসু লৈজরিবা খরা অসিনা য়ানা য়ানবা শিল্লগা অঙম্বী থাক্তা হোৎনবনি। মণিপুরী ফিল্ম হন্দক চহী খরসিদা অমুক্কা হেন্না মতিক ময়াই চেনবা হেনগৎলক্লি। হৌখিবা চহীদা নেসনল এৱার্দ ফংখিবা, আই এফ এফ আইদা চঙখিবা অমদি ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল চাওরাক্লা ১৫ রোমদা শরুক য়াখ্রবা অমদি অথোইবা মনা কয়া ফংখ্রবা হাওবম পৱনকুমারগী **লোক্তাক লাইরেম্বী** হায়রিবা ফিল্ম অসিনা ইনৌ নৌনা অমুক্তা ফংদ্রিবা লাওরেন্স কয়া ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পুরকপা ঙমখ্রবনি। ফিল্ম অসি হৌজিক মালেমগী মফম কয়াদা উৎপগী পাউ লেপ্তুনা লাক্লিবনি। মসিগী মমাঙদা ফিচর ফিল্মদা থংনা থংননা মণিপুরী ফিচর ফিল্মশিং অমদি দোক্যুমেন্টরি ফিল্মশিং লেপ্তুনা এৱার্দ ফংলি। ও গৌতমগী **ফিজিগী মনি,** অরিবম শ্যাম শর্মাগী **লৈবাকলৈ,** এচ মায়পাকস্নাগী **ঐখোয়বুসু হিংহনবীয়ু** অমদি হন্দক পৱনকুমারগী **লোক্তাক লাইরেম্বী** অসি অনৌবা ইরা হায়গদ্রা দিজিটেল ফিল্মনা নেসনল এৱার্দ লৌবা য়ারকপদগী মথং মথং ফংলক্লিবনি। দিজিটেল ফিল্ম ওইনা নম্বা ফিচর ফিল্মদসু নেসনল এৱার্দ অমদি আই এফ এফ আইনচিংবা কয়াদা য়াওহনগদবনি হায়বসি মণিপুরগী ফিল্ম ফোরমনা কেস অমা ফাইল তৌরুবদগী য়ারকখিবনি। দোক্যুমেন্টরি ফিল্মদি মমাঙদা হান্নবা মুম্বাইদগী মীশক অমনা কেস তৌরুবদগী য়াখিবনি।

হৌজিক মণিপুরদা মখল কয়াগী ফিচর ফিল্মশিং লেপ্তুনা পুথোক্লরি। উৎফম সিনেমা হোল লৈত্রবসু, ফিল্ম পুথোকপগী চাংদি হনবা লৈত্রি। দ্রিম ফিল্ম প্রদক্সন মণিপুরী ফিল্মদা থোইদোক্লা অনৌবা অমা নৎত্রে। মমাঙদা ফিল্ম খরা পুথোকখ্রে, ম্যুজিক ভিদিও কয়া অমসু পুথোকখ্রে। দ্রিম ফিল্ম প্রদক্সনগী দিরেক্টর ওইনা লৈরিবসি গ্যানন্দনি। গ্যানন্দ চহী কয়াগী মমাঙদগী ফিল্মগী লমদা মেক-অপ আর্টিষ্ট অমা ওইনা অমদি দিজাইনর অমা ওইনা খোঙ থাংজিল্লকখিবনি। ঙসিদি মহাক ফিল্ম মেকিংলোমদা কন্না মায় লৈশিল্লক্লি। ক্রিএটিভ আইদিয়া নিংথিনা লৈবা অমদি তোপ তোপ্পা ফিল্ম অমা য়েংবগী মহাও পীবা ঙম্বা দিরেক্টর নহা অমা ওইনা মহাকপু শক খঙনরক্লি। মহাক্কী অনৌবা ফিচর ফিল্ম অমা পুথোক্লবা চেকশিনবা থৌরাং লৌখৎলকপগা লোয়ননা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা **মোন্না শেঙ্গাও লাকপা** হায়বা অমগী য়াইফ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে। ফিল্ম অসিগী ৱারী অমদি স্ক্রিনপ্লে ককামচা মীতৈনা ইবনি, গ্যানন্দনা দিরেক্সন পীগদবনি। ফিল্ম অসিদা মরুওইবা রোল লৌগদবা নহাশিং অসি অয়াম্বনা অনৌবা ঙাক্তনি। অরিবা এক্টরশিংগী মনুংদা - নরেন্দ্র নিঙোম্বা, জয়বিদ্যা, ললিতাবি, মেমা, ধনমঞ্জুরি, থোইথোইনচিংবা য়াওরি। নহাশিংগী মনুংদা - প্রিন্স, নিকি, লাংলেন, জেমস সাইখোম, রাজকিষন, ককামচা, নাওবীনচিংবনি। ফিল্ম অসি চাউরাক্লা ত্রান্সজেন্দরগী পুন্সিরোল অমদি মখোয়না থেংনরিবা সোসিএল দিসক্রিমিনেসন অমদি মখোয়গী ৱাখল্লোনদা য়ূম্ফম ওইদুনা নমগদবনি। Comedy genre গী কাঙলুপ্তা চঙগদৌরিবা ফিল্ম অসিনা অনৌবা ৱাখল মিৎয়েং অমা শোয়দনা মীয়ামদা পীবা ঙল্লগনি হায়বগী থাজবা থল্লি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি ফিল্ম অসিদা অনৌবা মায়থোং খরা উবা ফংগদৌরিবা অসিনি। সবজেক্ট থিম অসি য়াম্না সেরিয়স ওইহায়না লৌবা য়াই। খুলাম্লোক অসিনা কোমেদিনা তঙ্খায় অমা পুরগা সেরিয়সনা তঙ্খায় অমা ওইগদৌরিবা ফিল্ম অসিগী মচৎ অসি মণিপুরী ফিল্মদা অনৌবা অমা ওইগনি। মতাংসিদা নীংশিংবা য়াবা ৱাফম অমা লাক্লে। লৈখিদ্রবা ওজা জি সী তোংব্রাগী দ্রামাশিং অসি মীয়াম্না কোমেদিনি হায়না লৌনৈ। মীয়াম্নসু মহাক্কী দ্রামা খুদিংমকশিং অসি পূক্লি পায়না নোল্লগা য়েংনৈ। মীয়ামদি নোকই অদুবু ওজাদি কপ্পী হায়না মশানা হায়জৈ। ওজাগী মিৎয়েংদি য়াম্না সেরিয়স ওইবা সবজেক্টশিংবু মীয়ামদা বোম গুলিগুম্না পীজবনি। সুগর কোটেদ তৌরবা বোম গুলি অদু চাবদদি থোইদোক্লা অখাবা ফাওদে। ইরায় লায়না য়োৎখি। গুলিদুনা পুক মনুং য়ৌখ্রবা মতুংদা মদুনা পোকখায়রকপদা হীদাক অদুগী ময়াইশিং অদু মরী লৈনবশিংদা এবজোর্ব তৌশিল্লগা অনাবা থুনা ফহল্লিবনি। মহাক্কী ফাগীনা কুয়োম ওইবা দ্রামা কয়াদা মীয়াম্না মপূক্লি পায়দুনা নোক্লুরবসু হন্থরকপদদি ৱাখল খলহল্লি অমদি হায়নীংলিবা কয়া অদুগী মরমদা নৈনবা হৌরকই। মসিনি কান্নবা।

দ্রিম প্রদক্সনগী ফিল্ম অসিসু নোকপা মখৈ নোকহল্লগা মীওইবা মশেলগী মরক্তা মাঙশিল্লক্লিবা হ্যুমিনিটি সেন্স অমা শোয়দনা পীবা ঙল্লবা য়াই। লোয়ননা মীওইবা থৱায় পানবা মশেলগী মরক্তা লৈনগদবা থৌগল্লোন অদু অমুক নৌনা শেমজিল্লক্তুনা হেন্না ফবা খুন্নাই অমা ওইরকপদা অচৌবা মতেং পাঙলবা য়াই।

মোন্না শেঙ্গাও লাকপা ফিল্ম অসিদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না য়েংনরিবা Parody ভিদিওগী এক্টর খরা ফিল্ম অসিদা মপূং ওইবা রোল লৌগদৌরি। ককামচা মশামক Parody গী এক্টর অমনি, ফিল্ম অসিগী ৱারী অমদি স্ক্রিনপ্লেসু মহাক্না ইরিবনি। মহাক্কা লোয়ননা রাজকিষন Parody ভিদিওগী ক্রিএটিভ দিরেক্টরনি। মখোয়গী প্রদক্সনশিং মীয়াম্না য়াম্না পেঞ্জনা য়েংনরিবনি। য়াম্না নুংঙাইবা অমদি নোকনীংবা ফাওহনবা ঙম্বগী ময়াই অমা মখোয়গী প্রদক্সনশিংদা উবা ফংলি। মখোয়গী আইদিয়াশিং অদু শিলভর স্ক্রিন্দা লাক্লবদা পুমনৌ নৌবা মণিপুরী ফিল্মগী মহাও অমা শোয়দনা পীবা ঙল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরি। তশেংনমক মীওইবা হায়বসি অনৌবা য়াম্না পাম্বা, অনৌবা অমগী মহাও তংনীংবা, খঙনীংবা অমগী ইখৌ লাংবা অসি মহৌশা ওইনা লৈ। অদুনা অনৌবা এক্টরশিংনা মাগী মাগী হৈজবী অমদি অনৌবা মশাগী সিগনেচর অমা থম্বা ঙম্নবা হোৎনজরকপগী খুদোল অদু য়েংনীংই। অনৌবশিংগা লোয়ননা দ্রিম প্রদক্সনগী দিরেক্টর গ্যানন্দনা করম্না ফিল্ম অসিবু মীয়ামদা প্রজেন্ট তৌরক্কদগে হায়বদুমদি য়েংখিবা তারি।

কমদৌনা ওইরকখিবগে ?

মায় পাকখ্রবা মীওইশিং...

ষ্টিভ জোবস



ষ্টিভন পোল জোবস (ফেব্রুৱারী ২৪, ১৯৫৫- ওক্টোবর ৫, ২০১১) অসি অমেরিকাগী ওন্ত্রপ্রেন্যুয়র, ব্যুজিনেসমেন, ইনভেন্টর অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়ল দিজাইনর অমা ওইখি। মহাক এপ্পল ইঙ্কগী কো ফাউন্দর, চেয়রমেন অমসুং চীফ ইগজেক্যুটিভ ওফিসর (সী ঈ ও), পিক্সরগী মেজোরিটি স্যেরহোল্ডর অমসুং সী ঈ ও, ৱাল্ট দিসনি কম্পেনিগী বোর্দ ওফ দিরেক্টর্সকী মেম্বর অমসুং নেক্সটকী ফাউন্দর, চেয়রমেন অমসুং সী ঈ ও ওইরম্মী । জোবস অমসুং এপ্পলগী কো-ফাউন্দর ষ্টিভ ৱোজনিয়াকপু কুমজা ১৯৭০ গী মতুং চহীশিং অমসুং ১৯৮০ গী মতুং চহীশিংদা লাকখিবা মাইক্রোকম্প্যুটর রিভোল্যুসনগী লময়ানবশিংনি হায়না লৌনৈ। জোবস সান ফ্রান্সিস্কোদা পোকখি। মহাক্কী অহল লমনশিং সিরিয়াদগী হৌরকখি। কুমজা ১৯৭২ দা জোবস রিদ কোলেজদা মতম খরা তমখি। মদুগী তুংদা কুমজা ১৯৭২ দা ইন্দিয়াদা চৎলগা ইনলাইটনমেন্ট ফংনবনি হায়দুনা জেন বুধিজম ষ্টদিদা থৱায় লুপখি। জোবসকী দিক্লাসিফাইদ এফ বি আই রিপোর্টনা মহাক্কী খঙনবা মীওই অমনা কোলেজ তল্লিঙৈ মতমদা মহাক্না ইলিগল দ্রগশিং-মরিজুৱানা অমসুং এল এস দি শীজিন্নখিবা খঙই হায়না ফোঙদোকখিবগী মতাংদা পনখি। জোবসনা মতম অমদা এল এস দি শীজিন্নবা হায়বসি মহাক্না মহাক্কী পুন্সিদা তৌখিবা খ্বাইদগী মরুওইবা পোৎশক অনী নৎত্রগা অহুমগী মনুংদা অমনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি।

জোবস অমসুং ৱোজনিয়াকনা কুমজা ১৯৭৬ তা এপ্পল লিংখৎমিন্নখি অমসুং মখোয়না ৱোজনিয়কক্কী এপ্পল ১ পার্সনেল কম্প্যুটর য়োনখি। চহী অমা লৈরগা ভিজনরিশিং অসি মিংচৎ অমসুং লন ময়াম ফংখি। মখোয়না খ্বাইদগী মায় পাক্লা মশীং য়াম্না শাখিবা পার্সনেল কম্প্যুটরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এপ্পল টু পুথোকখি।

কুমজা ১৯৯৭ তা জোবসনা মাউস শীজিন্নবা জিরোক্স অল্টোগী কম্মর্সিয়ল পোটেন্সিয়ল উবা ফংখি। মসিগী মতুং তারকপদা এপ্পল সিজা কুমজা ১৯৮৩ দা দিভলপ তৌখি। তৌইগুম্বসুং মসি মায় পাকপদি ওইখিদে। মসিগী মতুং কুমজা ১৯৮৪ দা মসিন্টোশ পুথোকপগা লোয়ননা ব্রেকথ্রু অমা লাকখি। গ্রাফিকেল য়ুজর ইন্টরফেস (জি য়ু আই) য়াওবা অহানবা ওইনা মশীং য়াম্না শাবা কম্প্যুটর ওইবদা নত্তনা মাসিনে টাশনা এপ্পলগী লেজরবাইটরগা লোয়ননা কুমজা ১৯৮৫ দা দেস্কটোপ পব্লিসিং ইন্দষ্ট্রি খংচাউ চাওখৎহনখি। এপ্পলগী লেজর রাইটর অসি ভেক্তর গ্রাফিক্স য়াওবা অহানবা লেজর প্রীন্টরনি। কুমজা ১৯৯৭ তা এপ্পলগা নেক্সটকা পুনশিন্নখি। মর্জরদুগী থা খরগী মনুংদা জোবসনা মহাক্কী হান্নগী কম্পেনি এপ্পলগী (মতম খরা মহাক এপ্পলদগী পোথারগা লৈখি) সী ঈ ও ওইখি অমসুং বেনক্রফট ওইরমদাই মীৎকুপ্তা মহাক্না কম্পেনি অসিবু কনখি। কুমজা ১৯৯৭ তগী হৌদুনা মহাক্না 'থিঙ্ক দিফরেন্ট' হায়বা এদভর্টাইজিং কেম্প্যেনগা লোয়ননা জোনাথন ইভিগা খূৎশম্নদুনা এপ্পলগী মীয়াম্না পাম্নরবা অনৌবা পোথোক কয়া পুথোকখি।

কুমজা ২০০৩ দা জোবসপু পেনক্রিয়াতিক ন্যুরোইন্দোক্রিন ট্যুমর অমনা নারে হায়বসি কনফার্ম তৌখি অমসুং কুমজা ২০১১ গী ওক্টোবর ৫ দা মহাক ট্যুমরদুগা মরী লৈননা শ্বর হোনবদা বেরা তৌরকপদগী শিখি।

ইহাক্তং পোখাবা য়াত্রা য়েংশি

খোমজিনবা, লেংজবা -

য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমার

ওন্না তাবা

থাইনা ঐখোয়না রেদিও তাবদা খ্বাইদগী ফৌজগী থৌরমগী ঈশৈ খ্বাইদগী খনবা মী অসি অরুনকা শাথিনি হায়নৈ। ঐখোয়না হায়নৈ মমিংদি শুকপন পন্দে অরুন কা শাথি হায়রিসি কনানো হায়দনা।

মমৈদদি মুন্না তারকান্দদি অরুন কা শাথি হায়বদি অরুনগী মরুপ হায়বা ওইরমদ্রে ওর উনকা শাথি হায়বা অদুদা এনাউন্সর মহেন্দ্র কুমার শর্মনা খরা থুনা লাওবদুদা সেরাননা তাবা ওইরমখি।

উদিট নরায়নগী পাপা কহতে হেইন বরা নাম করেগা হায়বা ঈশৈ অদুদসু কোই ইঞ্জিনিয়র কা কাম করেগা হাইবা অদুসু কোই ইনজিমিকা নাম করেগা হায়না তারম্মী অদুগা মতৌ তম্মগা শক্লরম্মী।

টির্চি টোপি ৱালে হায়বদুনা ঐখোয়গী কাকা থোকপা অমনা লাকি দিকু ৱালে হায়না তারমলে অসুম্না শক্লম্মী ।

মাইক্রোফোন মনাক্তা ফম্বা

রাজকুমার জনরঞ্জন

বস কন্দক্টর তোম্বা থাঙজম নুমিদাং চাক তোল্লগা তুম্ননবা ফমুং মনুং লোইশিল্লি, কাঙখল য়েপশিন খোপচিন লোইরকপদা মকোক্তু মপান লোমদা সট লিৎথোল্লগা, তোম্বা : উউউউ..., হায়না লাউরল্লগা কাঙখল সট য়েপশিল্লগা হিপথখি, মীৎকুপ খরগী তুংদা তোম্বগী নাখোকপা মখোল তারকই।

খঞ্জিল্লুদবা অচুম্বশিং

ঈদা য়াওবা কেমিকেলনা হিংবগী পংলা পংজিল পীরি



ঈদা য়াওবা বিলিরুবিন (বিলি-রুবেন) হায়রিবা কেমিকেল অসিগী চাং খজিক্তং হেনগৎপনা ফাওবা সী ও পি দিগুম্বা রেসপিরেটরি লায়নাশিংগী রিস্ক হন্থহনবা য়াই অমসুং মসি ঐখোয়গী হিংবগী (ওভরওল সরভাইভল) মার্কর অমা ওইবা য়াই হায়রি। নোর্মেল রেঞ্জ মনুংদসু বিলুরুবিনগী চাং খরা ৱাংবা অসি লং কেন্সর, ক্রোনিক ওবষ্ট্রক্তিভ পলমোনরি দিজিজ (সী ও পি দি) অমসুং শিবগী রিস্কশিং হন্থবগা মরী লৈনবা মাল্লি হায়না অনৌবা দেটাবেজ অমগী অকূপ্পা এনালাইসিস অমনা উৎখ্রে। ঈদা য়াওবা বিলুরুবিনগী চাং দেসিলিটরদা মিলিগ্রাম ০.১ হেনগৎপা খুদিংগী লং কেন্সরগী রেট নুপাদা চাদা ৮ হন্থে অমসুং নুপীদনা চাদা ১১ হন্থে হায়না য়ুনিভর্সিটি কলেজ লন্দনগী লেরো হোর্সফোল অমসুং কোলিগশিংনা হায়রি। অমুকসু ইনক্রিমেন্টগী মওংদা মান্নবা চাংদা বিলি-রুবিন হেনগৎপনা সী ও পি দিগী রেট চাদা ৬ হন্থবা অমসুং নুপা নুপী অনীমক্তা শিবগী (মোর্টেলিটি) চাং চাদা অহুম হন্থবগা মরী লৈনৈ হায়বসি রিছার্সরশিংদুনা জর্নেল ওফ অমেরিকান মেদিকেল এসোসিয়েসনগী ফেব্রুৱারী ১৬ কী ইস্যুদা ফোঙখি।

ফাইন্দিংশিং অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা নোর্মেল রেঞ্জগী মনুংদা লৈরিবা বিলুরুবিনগী লেভেলশিংনা পেসিয়েন্টশিংগী ইনভাইরনমেন্টেল অমসুং জিনেটিকেলগী ওইবা অপূনবা ফেক্টরনা রেসপিরেটরি লায়নাশিং নারকপা য়াবগী ফীভমগী ইনফোর্মেসন পীবা য়াই হায়না মখোয়না ইখি। মীচম অয়াম্বনা বিলিরুবিন করিনো হায়বসি জোন্দিশতা হায়বদি উনশাদা নাপু কারকপদা মসিনা লৌরিবা থৌদাংগা মরী লৈননা খঙনরে হায়বা য়াই। উনশাদা নাপু কারকপা (নাপু মচু ওল্লকপা) হায়বসি ঐখোয়না পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংশিংদা করিগুম্বা মতমদা উই, তৌইগুম্বসুং মসি লিভরকী লায়নাগা মরী লৈনৈ।

বিলিরুবিন অসি থাঙ্গৈশেংবদি হকচাংগী মফম শিন থুংনা ওক্সিজেন পুরিবা সেলশিং ওইরিবা রেদ ব্লদ সেলশিং শিন্দোক শিঞ্জিনদা থোকপা বাইপ্রদক্ট অমনি। মশা মউ ফরীবা মীওইশিংগী মশাদা অরিবা রেদ ব্লদ সেলশিং অনৌবশিংনা তৎতনা শিন্দোকই। অরিবা রেদ ব্লদ সেলশিং কায়থরকপদা মখোয়না বিলিরুবিন পুথোকই। মসি নাপু মচু চেনবা উবদা ইরায় লায়না খঙবা ঙম্বা কেমিকেল অমনি।

ষ্টদি অদুনা রেসপরেটরি লায়নাশিংনা থোকহনবা মীশিশিংগা বিলিরুবিনগী চাংগা মরী লৈনৈ হায়বসি চপ চানা শাগৎপা ঙমদ্রবসু এন্টি ওক্সিদেন্ট, এন্টি ইনফ্লেমেটরি অমসুং এন্টি প্রোলিফেরেটিভ (মশীং য়ামথোকহন্দবগী) ইফেক্টশিং য়াওনা বিলিরুবিনগী সাইটোপ্রোটেক্তিভ প্রোপর্টিশিংনা মরম ওইদুনা কেমিকেল অসি রেসপরেটরি হেলথকীদমক্তা কান্নে হায়বগী এক্সপ্রিমেন্টেল ইভিদেন্স লৈ হায়রি।

থাজবরা, থাজদবরা ?

অঙকপনা থল্লবা মালেম

- নহাক হাকথী কা হেন্না কন্না খল্লবদি নহাক্কী থবাক্কী শরু (রিব) অমা তেকপা ফাওবা য়াই।
- থরোইনা চহী অহুম তূম্বা ঙমই অমসুং ককচেংদি শুংতূম তূমদে।
- চোকলেটনা হুইশিংবু শিহনবা ঙমই মরমদি মসিদা মখোয়গী হার্ট অমসুং নর্ভস সিষ্টেমদা শোকহনবা ঙম্বা থিওব্রোমিন হায়বা সবষ্টেন্স অসি য়াওই।
- নুপীশিংনা নুপাদগী মীৎ কুপ্পা শরুক অনী হেল্লি।
- গিন্নেস বুক ওফ রেকোর্দস অসি পব্লিক লাইব্রেরিশিংদগী খ্বাইদগী হেন্না তোয়না হুরানবা লাইরিক ওইবগী রেকোর্দ লৈ।
- ১১১,১১১,১১১ x ১১১, ১১১, ১১১ = ১২, ৩৪৫, ৬৭৮, ৯৮৭, ৬৫৪, ৩২১
- পৎ পুমদুনা মাঙদবা অমৎতা ঙাইরবা চীঞ্জাক্তি থোইহিনি।
- অশাবা ঈশিংনা অইংবা ঈশিংদগী হেন্না থুনা উন ওল্লি।
- পোলর বিয়র খুদিংমক মখূৎ ওইনা হৈনৈ।
- কুরাকশিংনা মখোংনা মহাও তংই / খঙই।
- নহাক্না হাকথী খন্নিংলকপা মতমদা মদুবু নমথরবদি নহাক কোক নৎত্রগা ঙকশমদা শিংলি তৎতুনা শিবা য়াই।
- সিদা ন্যুক্লিয়র বোমশিং মাঙখিবগী কেস ৯২ রেকোর্দ তৌরগা লৈ। বোমশিংদু হৌজিক ফাওবা দিটেক্ট তৌদবগা লোয়ননা লৌখৎতনা লৈরি।

GST
Engine of India's Economic Growth

ONE NATION TAX PLATFORM

EXISTING TAXPAYERS OF
MANIPUR VAT

Do not Worry If you have not enrolled for GST yet

ENROLMENT WINDOW WILL REOPEN ON
25th June 2017
and continue for 3 months as per rule.
Also note that your provisional ID will be your GST Identification Number (GSTIN)

DEALERS AWARENESS PROGRAM ON GST
on 26th June, 2017
at Dharamshala, Thangal Bazar, Imphal

The Way forward:
If you are a Taxpayer having received Acknowledgement Reference Number (ARN) :
You should be able to download the Provisional Registration Certificate from "Download Certificate" at GST website www.gst.gov.in from 27th June, 2017.

If you are not an existing Taxpayer and wish to register newly under GST
You would be able to aplly for new registration at the GST portal from 25th June, 2017.

Issued in public interest by
TAXATION DEPARTMENT, GOVT. OF MANIPUR

www.gst.gov.in

List of GST facilitation Centres Identification for GST Datamigration/Enrolment :

Naorem Ojit Singh (DSC & E-Tendering Service)
Singjamei Makha Naorem Leikai, I/W
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

Rajkumar Ranjan Singh (Engineering Research & Consultant Centre)
Singjamei above Khadim Show Room
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

Information Technology & Computer Training Centre (ITCT)
RIMS Road, Imphal West
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

Thokchom Romendro Singh (NETCOMP)
Keishampat Thiyam Leikai, Adjacent to Poknapham
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

Sanjay Das (Das Consultancy)
Khoyathong Road, Opp. YES Bank
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

Amarjit Kumar Dey (Medicine Center Opp.: IndusInd Bank
Khoyathong Road, Thangal Bazar Imphal West
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

Munindro Sapam (Almon Technologies)
Nambol Mapal, Paona International Market, Paona Bazar, Imphal
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

Arun Huidrom (Heepal Enterprises)
Sangakpham Bazar, near Don Bosco Church, I/E
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

Thokchom Bobo Singh (Common Service Centre)
Kakwa Naorem Leikai, near Lairembi Lampak
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

Gemini Gameplex
Konung Mamang, near Pioneer Academy, Guess Building
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

Pukhrambam Swami Singh
Kakching Wairi Senapati Leikai, Kakching Oil Pump
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

Telem Priyo Kumar Singh
Naoremthong Takhellambam Leikai near DIC Office, I/W
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

Nazir (Innovative Boarding Cum Coaching Centre)
Hatta, Checkon Road, Landmark : New Chekon Primary School
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

Kshetrimayum Bhogendro Singh (AAdhaar Updation)
CSC Khongman Zone-3 East, near UBI Singjamei Branch
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

Ngangbam Gipson Singh (Aadhaar Updation)
CSC Eraima Singjamei Chingamakhong
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

Mohit Jain (C/o Manoj Automobiles)
M.G. Avenue, Thangal Bazar, Imphal West
Mob. [illegible] e-mail : [illegible]

HL/B/3967/25